# হীদাক কানরবা পাম্বীশিং ঃ লফুরিৎ # ৩২১

– ডা. হুইদ্রোম বীরকুমার –
সী এস আই আর ঃ নোর্থ ইষ্ট ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি, লম্ফেলপাৎ

ঙসিদগী চহী ৩০-৪০ রোমগী মমাঙদা লফুরিৎ পাম্বী অসি মণিপুরগী তস্পাক্কী অয়াম্বা মফমশিংদা অদুমক মরাং কায়না হৌরল্লবসু ঙসিদি পাম্বী অসি মুৎশিল্লক্লে হায়না লৌবা য়ারে। লফুরিৎ পাম্বী অসি ইংলিসতা ইন্দিয়ান সোট (Indian Shot) নৎত্রগা আফ্রিকান এরোরুট (African arrowroot) নৎত্রগা এদিবল কেন্না (Edible canna) নৎত্রগা পর্পল এরোরুট (Purple arrowroot) নৎত্রগা সৈরা লিওনি এরোরুট (Sierra Leone arrowroot), হিন্দিদা সর্বজায়া (Sarvajjaya), মিজোদা কুঙপুই-মু-থী (Kungpui-mu-thi), বেঙ্গলিদা সর্বজায়া (Sarbajaya), সাইন্টিফিক নৎত্রগা বোটানিকেলগী ওইবা মমিংদা কেন্না ইন্দিকা (Canna indica L.) নৎত্রগা কেন্না একিরাস (Canna achiras Gillos) নৎত্রগা কেন্না কোক্সিনিয়া (Canna coccinea Mill.) নৎত্রগা কেন্না লুত্যা (Canna lutea Mill.) নৎত্রগা কেন্না ওরিয়েন্তেলিস (Canna orientalis Rosc.) নৎত্রগা কেন্না স্পেসিওসা (Canna speciosa Rosc.) হায়না কৌই অমসুং কেন্নেসী (Cannaceae) শাগৈগী মনুং চল্লি। কেন্নেসী হায়রিবা শাগৈ অসি কুমজা ১৭৮৯দা A. L. de Jussieu হায়রিবা বোটানিষ্ট অসিনা অহানবা ওইনা শীজিন্নবা হৌখি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা লফুরিৎ পাম্বী মখল ১০ অসি লৈ হায়না পাউদল্লি। মখোয়শিং অদুদি - কেন্না বঙ্গী (Canna bangii Kraenzl.), কেন্না ফ্লেসীদা (Canna flacida Salisb.) কেন্না গ্লাউকা (Canna glauca L.), কেন্না ইন্দিকা (Canna indica L.), কেন্না ইরিদিফ্লোরা (Canna iridiflora Ruiz & Pav.), কেন্না জাগেরিয়ানা (Canna gaegeriana Urb.), কেন্না লিলিফ্লোরা (Canna liliiflora Warsz. ex Planch.), কেন্না পেদনকুলাতা (Canna pedunculata Sims.) অমসুং কেন্না টুর্কিমী (Canna tuercheimii Kraenzly.) অসিনি। কেন্নেসী হায়রিবা শাগৈ অসিগী মনুংদা কেন্না হায়রিবা জিন্‌স (Genus) অসিখক্তমক লৈ।

পাউদম অমগী মতুংইন্না লফুরিৎ পাম্বী অসি খা অমসুং ময়ায় থংবা অমেরিকাগী লমদমশিং ৱেষ্ট ইন্দিজ, মেক্সিকো, খা-নোংপোক থংবা অমেরিকাগী লমদমশিং মরু ওইনা ফ্লোরিদা, টেক্সাস, লুইজিয়ানা অমসুং খা থংবা কেরোলিনাগী মফমশিংদগী হৌরকখিবনি। মফমশিং অসিদগী শন্দোকখিদুনা পাম্বী অসি য়ুরোপ, সব-সাহারান আফ্রিকা, খা-নোংপোক থংবা এসিয়াগী লমদমশিং ওসিনিয়া অমসুং খরা কোন্না পুশিনখিদুনা অষ্ট্রিয়া, পোর্টুগল, কেনারী ঈথৎশিং, আফ্রিকা, মাদগাস্কর, চাইনা, জপান, টাইৱান, ইন্দিয়া, নেপাল, শ্রী লঙ্কা, লাওস, কম্বোদিয়া, থাইলেন্দ, ভিয়েটনাম, ম্যান্মার, জাভা, মলেসিয়া, ফিজি, ফিলিপিন্স, তোঙ্গা, কুক আইলেন্দ, হৱায় ঈথৎ, ন্যু সাউথ ৱেলস, নোর্ফোক ঈথৎশিংদা শন্দোকখিদুনা মহৌশাগী ওইবা মওংদা হৌখরে। লফুরিৎ পাম্বী অসি আমেরিকাগী খরা শারপ তৌবা ত্রোপিকেলগী লমদমশিংদা মীওইবনা চহী লিশীং কয়াদগী থাদুনা লাকপগী পাউদমশিং লৈ। আর্কিওলোজিগী থিজিনবগী মতুংইন্না লফুরিৎ পাম্বী অসি ইক্কাদোরগী সমুদ্র খোংবান্দা তাবা মীওইশিংনা খৃষ্টনা পোক্ত্রিঙৈ চহী ৩০০০গী মমাঙদা থারম্বগী খুদমশিং ফংই। পেরুগী লমদমদসু খৃষ্টনা পোক্ত্রিঙৈ চহী ২০০০দগী লফুরিৎ পাম্বী অসি থারকপগী পাউদমশিং লৈ।

লফুরিৎ পাম্বী অসি চহী কয়ামরুম পুন্সিবা, ফুট ১.৫দগী ৭.৫ ফাওবা ৱাংবা অথোৎপা মউ তাবা পাম্বীনি। পাম্বী অসি হেক য়েংবদা আলালু পাম্বীগসু মান্নরপ তৌই অমসুং ঈশিং খরা লৈবা নৎত্রগা চোৎ-চোৎ লাউবা খোংবান-লুপান্দা তোয়না হৌগল্লি। মতম অমদা লফুরিৎ পাম্বী অসি ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা মরাং কায়না হৌরল্লবসু ঙসিদি ইউ উশিল্লক্ত্রে। মসিগী মরু ওইবা ওইথোকপা য়াবা মরমশিংদি পাম্বী অসিনা চুশিন্ননা হৌজবা চোৎ-চোৎ লাউবা মফমশিং লৈশিল্লক্তবা, খোংবান-লুপান ফুঞ্জিল্লকপা, পাম্বীসি থাবদা থৱায় য়াওদবা অমদি তীলহাৎ-হীদাক পাক শন্না শীজিন্নরকপদগী চারা শন্দোকপা ঙল্লক্তবা ওইথোকপা য়াই।

লফুরিৎ পাম্বী অসি মীওইবনা হীরম কয়ামরুমদা শীজিন্নে। লফুরিৎ পাম্বীগী মউ অদু হিংনা নৎত্রগা ঙাল্লগা চানৈ। মউ অদু পানা শোইরগা ঈশিংদা ফুৎপদা চনাং য়াম্না থোকই অমসুং মহী অদুদা চিনি নৎত্রগা অচা-থুম খরা তুমহল্লগা হাওনা থক্লে। হায়রিবা চনাং অদু কেক অমসুং বিসকিট শাবদসু শীজিন্নবগী মথক্তা মখল কয়াগী অচা-অথকশিং শাবদা শীজিন্নে। মউ অদু পাম্বী অসিগী মনাদা য়োল্লগা মৈদা মুন্না লৌরগসু চানৈ। লফুরিৎ পাম্বীগী মউদা চনাং অসি চাদা ২৫ রোমগী চাংদা য়াওই। লফুরিৎ পাম্বী অসি মতম অমদদি আমেরিকাদা য়াম্না পাক শন্না থানরম্বগী পাউদমশিং লৈ। পাম্বী অসিগী মশা অসিদগী ফাইবর হায়বদি লং মখল অমা শুংদুনা শীজিন্নে অমসুং লীমোনগী মহুৎ শিন্নে। পাম্বী অসিগী মনাদগী চে মখল অমা শেম্মে। লফুরিৎ পাম্বীগী মরূদগী মঙ্গ্রা মচুগী দাই (Dye) অমসু শেম্মে।

পাউদমশিংগী মতুংইন্না লফুরিৎ পাম্বীগী লৈদা কোইরসেতীন (Quercetin) অমসুং লাইকোপীন (Lycopene) য়াওবগী মথক্তা এন্থোসিয়ানীন (Anthocyanin) পিগমেন্ট মখল মরি য়াওই। লফুরিৎ পাম্বী অসি ঈশিং অমসুং লৈবাক্তা য়াওবা হু চেনবা ধাতুশিং অমসুং কেমিকেলশিং চুপখৎপা ঙম্বা মরম্না য়াম্না মোৎপা পাৎ, পুখ্রি অমসুং খোংবানশিংদা থানৈ। পাম্বী অসি ইন্দষ্ট্রিদগী থোরকপা অমোৎপা অমসুং হু অদু শেংদোকপা ঙম্মী। পাউদম অমগী মতুংইন্না ১৯শুবা চহীচাদা ইন্দিয়াদা থোকখিবা সিপোই ম্যুতিনীগী লানগী মতমদা নোংমৈগী মরূ লোইথোকখিবদগী লফুরিৎ পাম্বীগী মরূ অদুনা নোংমৈ মরূগী মহুৎ শিন্দুনা শীজিন্নখিবদগী পাম্বী অসিবু ইন্দিয়ান শোট (Indian shot) হায়না কৌনখিবনি। লফুরিৎ পাম্বীগী মরূ অদু নুপীগী লিক-খুজি শাবদসু শীজিন্নে। হায়রিবা মরূ অদু জিম্বাবৱেদা শীজিন্নবা কায়াম্বা (Kayamba) অমসুং হোশো (Hosho) হায়রিবা ম্যুজিক্কী খুৎলায়শিং অসি শাবদা শীজিন্নে।

হীদাক ওইনা লফুরিৎ পাম্বীগী মউ অদু শুগাইরগা লৌবা মহী অদু পীথক্তুনা ঈশিং য়াফম তৌবা অদু ফিলিপিন্সতা লায়েংনৈ। মউ অদু পানা শোইরগা ঈশিংদা মিনট ১০ রোম শৌহন্দুনা শেম্বা মহী অদু পীথকপসু য়াই। নাতোন্দগী নাহী তাবদা লফুরিৎ পাম্বীগী মউ শুগাইদুনা লৌবা মহী অদু লশিংদা লুপ্পগা থোম্বদা থোইদোক্লা কানৈ। হায়রিবা মহী অদুনা চাং নাইনা তৈবদসু উনশাগী মখল-মখা কয়াগী লায়নাশিংসু ফহনবা ঙম্মী। উনশা য়াম্না কনবা অমদি চেকখায়বদা লপুরিৎ পাম্বীগী মউ তকখায়দুনা শেম্বা মলম অদু চাং নাইনা তৈবদা য়াম্না কানৈ। অরূম লাইহৌ তৌরবদি লফুরিৎ পাম্বীগী মউ অদু শুগাইরগা লাইবক্তা থোমদুনা লায়েংবা য়াই। লফুরিৎ পাম্বীগী লৈ অদু শুগাইরগা থোম্বদা খুদক্কী অশোক অপন তৌদুনা ঈ থোকপা অদু খকহনবা ঙম্মী হায়নসু পাউদমলি। বংলাদেশকী মীওইশিংনা লফুরিৎ পাম্বী শুগাইরগা শেম্বা মহী অদু নাতোন, খদাং অমসুং খৌরিদা তৈদুনা তোন্সিল অসি লায়েংনৈ। পাউদম অমগী মতুংইন্না থাইলেন্দদি লফুরিৎ পাম্বীগী মউ অদু অতোপ্পা পাম্বী খরগা য়ানশিন্নরগা শেম্বা হীদাক অদুনা কেন্সর মখল অমা লায়েংনৈ। নাইজেরিয়াদদি লফুরিৎ পাম্বীগী মনা অদু শুগাইরগা পীথক্তুনা মলেরিয়া অসি লায়েংনৈ। বিজ্ঞানগী পাউদম অমগী মতুংইন্না লফুরিৎ পাম্বীগী মতোন অদু মিথানোল হায়রিবা য়ু অদুদা শুগাইরগা লৌবা মহী অদু পীথক্তুনা মীওইবগী লিবরদা অমাঙ-অতা য়াওবা অদু লায়েংনৈ। থোইদোক্লা পূক্নিং থৌগৎনীংঙাই ওইবা ৱাফমদি লফুরিৎ পাম্বী অসি HIV-IRT মখল অসি শীংথানীংঙাই ওইনা থিংবা ঙম্মী। ●

# নবদ্বিপ ধামগী থৌরানি মচাদি সনালৈবাক মায়কৈ য়েংজহৌরিদো

- গিতাঞ্জলি খাঙেম্বম-

ইশাগী অনাবনা মরম ওইদুনা নবেম্বর ১০দা সর্জরি তৌরবা মতুং হকচাং ফগৎলক্লবা হায়দুনা চান্দিগড়দা লৈবা ঐগী পিল্লবা কা মচা অদুদা হোৎনরিঙৈ অতোপ্পা অনাবা অমগা অমুক হৌরকপদুদা ৱাখল অসুক্কী মতিক শোন্থখি, করিগীসু শোন্থরোই? থাপ্লবা মীরমসিদা ইমুংগী মীওই কনাসু য়াওদা মহে তল্লিবনি হায়দুনা লৈরিবা অসিদা অনাবা অমফাওবা ফগৎলক্ত্রিঙৈ অমগা অমুক নাশিল্লক্লিবনি। মতাংসিদা হকচাং ফবা লননি হায়বদুসু নীংশিংলকখি। হকচাং ফবা মীশক অমা ওইবদা অনা অয়েক য়াওদবা খক্তা নত্তনা পূক্নিং ৱাখল লৈতানা লৈবসু মরু ওই। পূক্নিং শোন্থরবা মতম অদুদদি নহা ওইজরবসু তাইবঙ শেম্বা মপুবু পূক্নিংদা চেৎনা চিংশিনখি, লৈখিদ্রবা ঐগী ইপুবোক খাঙেম্বম ভুবোননা পামজনা চৎচরম্বা গৌড়িয়া বৈষ্ণবিজমগী হৌরকফম ওইরিবা নবদ্বিপ ধাম চৎলবদি পূক্নিং ৱাখল লৈতাবা ফংগদবা মাল্লকখি। নবদ্বিপকী মণিপুরী নুতন রাজবারিদা লৈবা গোপাল মন্দিরদা তাইবঙ শেম্বা মপুগী থৌগল ফংদুনা লৈরিবী ঐগী ইনে দেবলা অমদি মাম্মা ক্রিপদাস সিনধু অনীগী মনাক্তা অনাবা ফগৎলকপগা চত্তুনা ধামগী পরিক্রামা তৌদুনা অৱাবা পোত্থারুগে হায়না লেপখি।

ঐগী অনাবা ফগৎলক্লবা মতুং নবেম্বর ২৪ অমদি ২৫গী লোন্নবা অহিং পুং ১.২৫ তাবা মতমদা Kalka Howrah Netaji Express train তোংদুনা খোঙশাল্লকখি। হাওরাদা নবেম্বর ২৬কী পুং ১০.৩০ অশ্বাইদা য়ৌরবা মতুং হাওরাদগী নবদ্বিপ ধাম য়ৌরক্লবগীদমক নুংথিল পুং ১২.১০গী Katwa Local train অমুক তোংদুনা লাক্লগা নবদ্বিপ ধামদা পুং ২.৩০দা থুংখি। নবদ্বিপ ধাম ষ্টেসন্দগী রিক্সো অমা ৱাইদুনা গোপাল মন্দির তম্না লাকখি, গোপাল মন্দির য়ৌদুনা রাধা কৃষ্ণ অনীগী দরশন তৌবা ফংজবদা ইশাদা লৈরম্বা অৱাবা পূম্বা কোকথোকখিবগুম ফাওখি। গোপাল মন্দিরদা ঙাইহাক পোত্থারবা মতুং Nauka Ghat তগী হি তোংদুনা গঙ্গা তুরেল লাম্থোক্তুনা মায়াপুরদা চৎখি। ময়াপুরগী শ্রী চন্দ্রোদয়া মন্দিরদা সনধ্যা অরাতি য়াওরকখি। মথংগী নুমিৎতা অয়ূক অঙনবদা গঙ্গা স্নান তৌবা চৎখি; গঙ্গা তম্না চৎপা লম্বীদা লৈখিদ্রবা মহারাজ চুড়াচান্দগী সমাধি কনানসু য়েংশিনবীদা নাপীনা পুংশোং শোংজিন্না হৌজিন্দুনা লৈরম্বা থেংনরকখি। মণিপুরগী মতম অমগী মমিং লৈবা নিংথৌ অমগী সমাধি অসুম্না য়েংশিনবীদনা লৈরম্বা থেংনরুবদা থম্মোয় অসুক্কী মতিক শোকখি, পূক্নিংদা অসুম্না খনখি ইনিংথৌ নহাক্তি ওম্থোক্লা ৱানা লেল্লম্লনিদা, নচা নশু কনানসু হন্না য়েংশিনবীদা থাপ্লবা মীরমগী অশোংবা মোংশোং মরক অসিদা! অসুম্না থম্মোয়দা অরূম্বা পোৎলুম অমগা লোয়ননা ঐহাকসু করিসু তৌবা ঙমদা ঐগী নবদ্বিপকী খোঙচৎ মখা চত্থখি। খোঙচৎ মখা চত্থবা ওইনা ময়াপুরদা হরিনাম শঙ্কীর্তন য়াওখি, জল মন্দির, অন্নুপ্রভু মন্দিরদা রাজর্ষী ভাগ্যচন্দ্র অমদি শিজ লাইওইবী দর্শন তৌজরকখি। সোনার মন্দির চঙজরক্তুনা মফমদুদা লৈবা রানি ধনমঞ্জুরিগী মিতমদসু খুরুমজরকখি অমদি গোপাল মন্দিরদা ঐহাক্কী ঙমজবা থৌগলসু ফংজরকখি। নবদ্বিপকী প্রমোতলা বজার, রাধা বজারনচিংবদসু ঐগী ওইবা পোৎ খরসু য়েংলকখি। ইমাগী, তাইবঙ শেম্বা মপুগী থৌগল ফংবদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা মচাক কয়াসু লৈবীখি।



নাপীনা পুংশোং শোংজিন্না লৈহৌরিবা মহারাজ বোধচন্দ্রগী সমাধি (ওই), গোপাল মালিনি অমদি অইবী

অসুম্না ঐগী খোঙচৎ লোইশিল্লক্লমদাই নোংমা মঙ্গল আরতি মতম য়ৌরে হায়না থোক্লুবদা অশংবা মচুনা মোইরাং ফিজন চনবা লৈ মচুগী ফনেক অমা শেৎলদুনা অহল ওইরবী ইমা অমনা লৈ লেংদুনা লৈরম্বা থেংনরুবদা থম্মোয়দা অমুক্তা ফাওদ্রিবা ঈহুল অমা ফাওরকখি, থাপখ্রবা মীরমসিদা মণিপুরদগী ইমা অমনা অসুম্না তাইবঙ শেম্বা মপুগী থৌগল ফংদুনা লৈরম্বা উবদা মহাকসিবু কনানো হায়না খঙনীংবা ফাওরকখি। খঙনীংবগী ঈথিলনা হেনমনখিদুনা ইমাবু কনানো, করি লমদগীনো হায়না হংজরুই। ইমাগী মিং ঐগ্যা পাবুংনা নোলিনি থোনবীরল্লবসু গোপাল মন্দিরদা মতম শাংনা থৌগল ফংজরকপগী গোপাল মালিনি হায়না মীয়াম্না খঙনবী হায়বীরকখি। ইমা অসি নবদ্বিপ ধামদা পোকপনি, মহাক লাইময়ূম ধর্মেশ্বর শর্ম্মা, vyakaran tirtha অমদি লাইময়ূম ওংবী কোঙ্গ্রাকপম নন্দিনিগী মচানি। ইমাবু পোকপীবা ঐগ্যা পাবুং অসি চহী ২২শুবা মতমদা নবদ্বিপতা লৈবা সংস্কৃট স্কুল অমদা সংকৃট তম্বা লাকখিবনি হায়না ফোঙদোকপীরকই। অসুম্না সংস্কৃট তমদুনা লৈরিঙৈ মতমদা অন্নুপ্রভু মন্দিরগী থৌগল ফংবীয়ু হায়জরকপদগী থৌগল ফংদুনা লাকখি। অসুম্না থৌগল ফংদুনা লাকপদা চুড়াচান্দ মহারাজগী মন্দির ওইরিবা গোপাল মন্দিরসু থৌগল ফংবীয়ু হায়দুনা থৌগল ফংদুনা লাকখি; ইমাবু পোকপীরম্বা ঐগ্যা পাবুংনা অহল ওইশিল্লকপা মতমদা ইমানা নুপী ওইরুবা অমদি ইমাগী মবুংশিংনা মণিপুরদা লৈখিবনা মন্দির পুবা ঙল্লোইদবা মরম্না ইস্কোনগী দামুদর মহারাজদা গোপাল মন্দিরগী থৌগল তৌনবা হায়দুনা শিন্নখি হায়না ফোঙদোকপীরকই।

ইমানা পিক্লিঙৈ মতমদা বোধচন্দ্র মহারাজ থেংনহৌই হায়না তম্বীরকই। বোধচন্দ্র মহারাজনা নুংশিনা থৌরানি মচা হায়না য়াম নুংশিনা লুনা চান্না তৌবীরকই হায়না ফোঙদোরকই। বোধচন্দ্র মহারাজনা মহাক্কী বনারসি সারী মচা কোলকটা চৎপদা লৈবিরকপগী ৱারী নীংশিংদুনা লীবিরকখি। ইমানা মহারাজগা থেংনখিবগী মতমদুবু নীংশিংদুনা য়াম্না নুংশিনা শোঞ্জরকখি। ইমানা ফোঙদোকপগী মতুংইন্না মহাক মণিপুর চৎখিদবা চহী ১০ হেনজিল্লক্লে হায়রি, ইমাগা পোকমিন্নবা মবুংশিংসু মণিপুরদা লৈরি অমসুং মরক মরক্তা পাউ ফাওনৈ হায়না তম্বীরকই। মণিপুর চৎনীংবা ফাওদব্রা হায়না হংজরুবদা ইমানা অসুম্না ফোঙদোকপীরকই মদুদি তাইবঙ শেম্বা মপুগী শেংলবা ধাম অসিদা পিক্লিঙৈ মতমদগী মপুগী থৌগল ফংদুনা লাকখিবা মরম্না মহাক্লা মণিপুরদা থোকখিবা তারবদি কনানা মহাক্কী মহুৎ শিন্দুনা থৌগল ফংহৌগনি খনবদা মণিপুর থোকপগী ৱাখল্লোন লৈত্রে। ইমা চহী ৭৭ শুরবী অহল ওইরবসু ঙসি ফাওবা মপুগী থৌগল লেপ্পা লৈতনা তৌদুনা লাক্লি; অয়ূক অঙনবদা হৌগৎতুনা গঙ্গা স্নান তৌরবা মতুং অয়ূক পুং ৪গী মঙ্গল আরতি নংনবা মপুগী মালা লেংদুনা, মপুগী নাম শোন্দুনা থৌগল ফংলিবনি। ইমানা তৌরিবা অসি ঐখোয় নহা অমা হেক্তনা ইরায় লায়না তৌবা ঙম্বা থবক নত্তে। ইমাবু পোকপিরম্বা ঐগ্যা পাবুং অমদি থৌরানি ইমাগী পোকফমসু ওইরিবা অমদি মবুংশিংগী লৈফম ওইরিবা মণিপুর য়াম্না নুংশিবা পোকই হায়না ফোঙদোকপীরকই। চহী ১০ হেন্না মণিপুর থোকপা ফংদবা অসিদা অমুক্তা ওইরবসু মবুংশিংগা উনবগী অপাম্বা পোক্লি অমদি গোবিন্দজিগী দর্শন তৌনীংবগী অনীংবা অপাম্বসু ফোঙদোরক্লি।

অসুম্না ঐগী খোঙচৎতা ইমা গোপাল মালিনিগা থেংনজদুনা খঙজিনবদা কানরবা ৱারী কয়া তারুবদা অসুক্কী মতিক নুংঙাইবা পোকখি। দিসেম্বর ৩ য়ৌরকপদা কোলকটা এয়রপোর্টতগী অয়ূক পুং ১০.২৫গী ফ্লাইট তোংদুনা চান্দিগড়দা অমুক হল্লকপা তাখি। ঐহাক্কী পুন্সি খোঙচৎনা পুবা লম্বীদা অসুম হল্লকখি; য়েংশিনবীদ্রবা মহারাজ চুড়াচান্দগী সমাধিসু মচাশিংবু নীংশিংহৌরি, থৌরানি মচাসু সনালৈবাক মায়কৈ য়েংদুনা লৈহৌরি। ●


## ফোঙদোকচরি/ অপেনবা ফোঙদোকচরি


(সুধাকর (শামু

ঐগী ওইথংবা কিডনী অমসুং ঈশিং মরীদা পুন্না নুঙ অনী লৈবদগী সগোলবন্দ খম্নাম লৈরক আই.টি.আই মনাক ইম্ফালদা লৈবা বাবা লাইশ্রম নবকিশোর পদ্মশ্রী এৱার্দী (মেদিসিন)গী মচানুপা ইয়াম্বা লাইশ্রম সুধাকর হার্বেল ফিজিসিয়ান, স্পিসিএলাইজ ইন যুরিনরি (ষ্টোন)না বাবাগী মহুৎ শীন্দুনা ঐবু হাপ্তা মরি লায়েংবীবদগী ঐগী লৈরম্বা নুঙশিং অদু লোইনা তাহনখ্রে। অনৌবা অল্ট্রা সাউন্দ লৌবদসু লৈবা উদ্রে মসিগীদমক্তা ইয়াম্বা সুধাকরবু হায়নিংঙাই লৈতনা খবরগী থোঙদা অপেনবা ফোঙদোকচরি।

Sd/- **Khwairakpam Sanamatum**
Thanga Oinam Leikai
HL-P/0951/24,25,26

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR; MOIRANG

**Ref. Mut. Case No. 376/SDC/M dt 24/12/2021**

1. Mafida Banu W/o Md. Julfiqur of Lilong Heinou Makhong
2. Najira Begum W/o Md. Abdul Laji of Kwakta Sevla of Moirang Okshongbung Leikai

-Vs-

Late Mariyam Bibi W/o Ajijula of Lilong Hangam Thabi

**/ NOTICE**
Moirang 24-12-2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৯১-ক্বাক্তাদা লৈবা পাট্টা নং ১১২৭ (অনৌবা) সী: এস: দাগ নং ৪৪০৩ এরিয়া ৫.১১ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী মনুংদগী এরিয়া ১.২৫ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। অদুনা মৃ: পাট্টাদারগী মিংদা লৈবা লম অসি মথক্তা পীরিবা দরখাষ্টকারিশিংদা নমা ওনবীরো হায়না উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্ত কোর্টতা আপতি তৌবীরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। উক্ত কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Moirang
HL-P/1048/25

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, SUGNU

**Ref. Mutation Case No. 542/SDC/Sugnu Date 24/12/2021**

App: 1. Amom Ibosana Singh S/o Paolendro Singh of Wangoo
2. - do - ongbi Rabita Devi W/o Ibosana Singh of - do -
3. Koijam Birjit Singh S/o (L) K. Mangol Singh of Singjamei Oinam Leikai

-Vs-

Opp: (Late) Koijam Mangol Singh S/o (L) Madhu Singh of Singjamei Oinam Thingel

**/ NOTICE**
Dated 24/12/2021

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি ৱাইখোং তহশিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং ৮৫-ৱাঙু পাট্টা নং ৫৯০ দাগ নং ৪১৮২, ৪১৬৩ এরিয়া ২.৫৮, ১.৪৪ একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে, মরম অদুনা দরখাষ্টকারিনা মমিংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থজগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Sugnu
HL-P/1049/25

Heavy Discount for New Year, 2022

## M/S N.K.S. BRICK FIELD

**NEAR KHONGJOM WAR MEMORIAL GATE**
GSTIN NO- 14HFIPS8066E1Z1

| Brick Class | Rate per Brick | No. of Bricks | T/C | L/C | Total Charge |
|---|---|---|---|---|---|
| 1st Class | Rs. 14:00 | 1500/-<br>2000/- | 2000/-<br>2500/- | 600/-<br>700/- | 23,600/-<br>31,200/- |
| 2nd Class | Rs. 13:00 | 1500/-<br>2000/- | 2000/-<br>2500/- | 600/-<br>700/- | 22,100/-<br>29,200/- |
| 1st Reject | Rs. 12:50 | 1500/-<br>2000/- | 2000/-<br>2500/- | 600/-<br>700/- | 21,350/-<br>28,200/- |
| 2nd Reject | Rs. 11:50 | 1500/-<br>2000/- | 2000/-<br>2500/- | 600/-<br>700/- | 19,850/-<br>26,200/- |
| 1st P.T. Class | Rs. 11:50 | 1500/-<br>2000/- | 2000/-<br>2500/- | 600/-<br>700/- | 19,850/-<br>26,200/- |
| 2nd P.T. Class | Rs. 10:00 | 1500/-<br>2000/- | 2000/-<br>2500/- | 600/-<br>700/- | 17,600/-<br>23,200/- |
| 3rd Class | Rs. 6:50 | 1500/-<br>2000/- | 2000/-<br>2,500/- | 600/-<br>700/- | 12,350/-<br>16,200/- |

**Contact No. : 8730097406**
**8118999999**
HL-P/0981/19-25

/ LOAN / LOAN

## LOWEST INTEREST

1) Business Loan 2) Daily Installment Loan
3) Vehicle Loan (Two Wheeler only)
4) Piggery Loan 5) Poultry Loan
6) Weaving Loan
Area Cover : Thoubal & Kakching District

## JOB NEWS

1) Collector 8 no. - 10 Passed (Boys & Girls)
2) BDO 4 No. - 12/Graduate Passed
3) R.O. 3 No. - 12/Graduate Passed
4) Reception 1 No. - 12 Passed (Kakching Branch)
5) Assistant Field Officer 5 No. - 12 Passed
(Age :- All Post below 30)
Last date of form submission - 30/12/2021
Date of Interview - 03/01/2022
Office hour - 10 AM to 4 PM

# 8787370703 Sd/-
**Office of the LAININGTHOU PVT. LTD.**
Thoubal Bazar, Leitanthem Leirak And Kakching Branch, Axis Bank Building
HL-B/7352/11/12-12/01

## /NOTICE INVITING TENDER

*Sekmai, the 24th December 2021*

**1/9/2021-SMC:** Sealed Tenders in prescribed format are invited from interested eligible parties (social organizations/firms/NGOs/clubs/SHGs, etc. registered under any government registration act and having Head Office within Sekmai Municipal Council jurisdiction only) for selection of Toll Tax agent of this office. Detailed tender notice and bid form can be purchased from this office on all working days during office hours from 24th December 2021 to 29th December 2021 on cash payment of Rs. 1,500/- (Rupees One Thousand Five Hundred) only.

Sekmai Municipal Council reserves the right to accept, reject or altogether cancel the tender process without assigning any reasons thereof.

Sd/- **Chingangbam Ananda Angomcha**
Executive Officer
Sekmai Municipal Council
HL-P/1046/25

## OFFICE OF THE HEADMISTRESS KAKCHING WAIRI PART (I) GIRLS L.P.S -KAKCHING

**/NOTICE**
Kakching, the 23rd Dec., 2021

Notice অসিনা মরম ওইদুনা School অসিগী ছাত্রশিংগী Guardians/ Parents শিংগী মফমদা খঙহনজরি। মদুদি School অসিগী School Managing Committee গী মপুন্সি (Term) লোইখ্রবনা অনৌবা Committee অমা শেম্নবগীদমক লাক্লিবা তাং 06/01/2022 ইংগী নুংথিল পুং অমা (১) তাবা মতমদা Parents/Guardian (২) অমদি Subscriber (১) খন্নবগীদমক School Office তা Election পাঙথোকচরগনি। Committee Member ওইনিংবা Parents/Guardian শিংনা Nomination File 02/01/2022 to 03/01/2022 দা তৌবীয়ু অমদি Scrutiny না 04/01/2022 দা তৌজগনি।

Sd/- **N. Pramila Devi**
R.O/Headmistress, Kakching Wairi Part (I), Girls L.P.S.
HL-P/1029/25

## YAMNA TOUBIMAL KHANGBA UTCHARI


(SUDHAKAR (SHAMU

Sagolband Khamnam Leirak I.T.I Manak Imphalda Leiba Nungi Layengba oja Laishram Nabakishore Padma Shri Awardee (Medicine) gi Machanupa Laishram Sudhakar (Shamu) Herbal Physician (Specialised in Urinary Stone)bu Ekhoina Ashukki Matik Toubimal Khangba Utchari. Maramdi Kidneyda Leiba Stone Tahanduna Phahanbibagidamak.

Sd/- **Wilson**
Ukhrul, Chingai Village
HL-P/1031/24,25,26

## KREEDA SAMELAN (MUKNA)

1. NAME OF JATRA - ELANGBAM OLENDRO HEIROK
2. NAME OF JATRA - YUMNAM MALEMNGANBA ITHAI
3. NUMBER OF MUKNAROI - 15 EACH
4. DATE - 26th December 2021
5. VENUE - NIDSU GROUND, LUWANGSANGBAM

HL-P/1050/25




Order a fresh basket of seasonal green vegetables and relish the freshest harvest from the farms of Manipur!

To Order
Call or WhatsApp
8131818744
Or
Scan

HL-P/0915/14-24